# কুমজা ১৯৬৯দা পাকিস্টান অমসুং ইংলেন্দ টেষ্ট মেচ অহুম শান্নবদা ফল ফংখিদবা-১

- লৈশাংথেম অজিৎ -

কম্যুনরেলথ লৈবাকশিং অমদি বৃটিশনা লোয় চল্লম্বা লৈবাকশিং অসি ক্রিকেট শান্নবদা থৱায় য়াম্না য়াওই অমদি মশান্না অসিদা থোয়দোক হেন্দোক্না হৈশিংদুনা মালেমগী থাক্তা কম্যুনরেলথ লৈবাকশিংগী টিমগা অতোপ্পগী টিমগা লম্বা তৌনবদা অৱাবা ওইরি। মরম অদুনা ইংলেন্দ, খা অফ্রিকা, ওস্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দ, ইন্দিয়া পাকিস্তান, ৱেষ্ট ইন্দিজ অমসুং বাংলাদেশনচিংবা লৈবাক নৎত্রগা টিমশিং অসিনা মশান্না অসিদা মালেমগী মাঙজিল থাবা তানবগী লমজেলদা অকনবা লম্বা তৌনরি। মমাঙঙৈদা হায়বদি চহী খরগী মমাঙদা লৈবাক অমগা অমগা (লৈবাক অনী) ক্রিকেট টেষ্ট মেচ শান্নবা অসি খ্বাইদগী মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা ইজৎ লৈবা চায়েং অমনি হায়না লৌনরম্মী। ক্রিকেট টেষ্ট শান্নরোয়, ৱর্ল্ড ফুটবোল কপ্পা শরুক য়াৱবা অমদি ওলিম্পিক্স শরুক য়াৱবা শান্নরোয় অমগুম্না ইকায়খুম্লে। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ওলিম্পিক্কী হোকি শান্নবদা সনাগী মেদল অহুম অমদি লুপাগী অমা ফংবা লেলিজ ক্লাউদিয়স হায়বা অমা লৈরম্মী। অদুবু ক্রিকেট টেষ্ট শান্নবগী ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ওইখিবা য়াম্না মায় পাকখিবসু নৱবা নৱাব ওফ পাটাউদি (জুনিয়র) না মঙোন্দগী হেন্না লৈবাক অসিদা মমিং চৎলি। রান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) অমসুং ট্বেন্টি-ট্বেন্টিনচিংবা মওংগী মশান্না থোরকপা মরমদগী টেষ্ট ক্রিকেটকী মঙন অসি হন্থরকপগুম্না তৌরি। অদুবু ক্রিকেট শান্নবদা অচৌ শিনবা খায়বা, অমাং অশেং খায়বগী মওং কয়ামুক মালেম অসিগী ক্রিকেট শান্নবগী ৱারীশিংদা য়াওরি।

কুমজা ১৯৬৯দা ইংলেন্দগী ক্রিকেট টিম অমা খা অফ্রিকাগী টেষ্ট মেচ শান্নবা চৎকদবা ইংলেন্দগী টিমদা কুচু মুবা শান্নরোয় বাসিল দি'ওলিভেইরা য়াওরকপগীদমক টিম অদু খা অফ্রিকাগী লৈঙাক্লা লৈবাক অদুদা শান্নবদা অথিংবা থমখি। মতম অদুদা খা অফ্রিকাদা লৈবা মশীং য়াম্লবা লমদম অদুদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দারক্লবা কুচু মুবশিং অদুবু মশীং য়ামদবা কুচু ঙৌবা মীওইশিংনা লৈঙাক্কী মপু ওইখি। মখোয়না কুচু মুবশিং অতোনবা কাঙলূপ অমগুম্না থম্মী, মখোয়বু ইন্থোক্তুনা থম্মী। অঙৌবগা অমুবগা ফুটবোল, হোকি, ক্রিকেটনচিংবা মশান্নশিং শান্নমিন্নবা য়াদে। মসিবু Apardthei হায়না খঙনৈ। মরম অদুনা ইংলেন্দগী ক্রিকেট টিম্না খা অফ্রিকাদা চৎকদবা টিমদা বাসিল দি'ওলিভেইরা য়াওরক্কদবা মরম্না খোঙচৎ অদু তোকখি। তৌইগুম্বসুং ইংলিসকী টিম অদু পাকিস্টান্দা লাক্তুনা টেষ্ট মেচ অহুম শান্নখি। শান্নফমদি লাহোর, ধাকা অমসুং কারাচিদনি। মতম অদুদা ধাকা সহর নোংপোক পাকিস্টানগী কোনুং ওইরম্মী। নোংপোক পাকিস্টান নীংতম্বা লৈবাক অমা নত্তে, পাকিস্টানগী শরুক অমনি। বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্লমদাইদা লৈবাক অসি হিন্দুষ্টান অমসুং পাকিস্টান হায়না খায়দোক্লম্মী। অদুবু ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মুসলিমশিংনা মীশিং য়াম্না তাবা গঙ্গা অমসুং ব্রহ্মপুত্র তুরেল অনীগী বে ওফ বেঙ্গলদা তাবা মফমদা লৈবাক হাজিল্লগা শেম্বা দেলটাগী শরুক্তা অয়াম্বা ওইবা লমদম অসিসু পাকিস্টানগী শরুক অমা ওইনা পাকিস্টান্না নীংতম্বা ফংখি। মফম অসিবু ইংলিসকী মতমদা ইষ্ট বেঙ্গল হায়না খঙনরম্মী। নোংপোক পাকিস্টান্না লান হৌবদগী কুমজা ১৯৭১গী দিসেম্বর১৬তা পাকিস্টানবু মায়থীবা পীদুনা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইখি। অনৌবা লৈবাক অসিনা টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবগী থাক য়ৌনবা হোৎনবদা চহী ২৯ চঙই, কুমজা ২০০০দা ফংখি।

লৈবাক অসিনা পাকিস্টানগী শরুক অমা ওইরিঙৈদা, মনিং মখা তমদ্রিঙৈদা ইংলেন্দগী ক্রিকেট টিম পাকিস্টান্দা কুমজা ১৯৬৯দা ক্রিকেট টেষ্ট শান্নবা লাকখিবদা ধাকাদসু টেষ্ট মেচ শান্নবগী মফম ওইনবা খুদোংচাবা পীরম্মী। মতম অদুদা পাকিস্টান অসি ফিল্ড মার্সেল অয়ুব খানগী মীলিটরি সাসন (লৈঙাক) মখাদা লৈরি। মহাক্না হান্নগী প্রসিদেন্ট মিরজা অমদি মহাক্কী লৈঙাকপু কু তৌদুনা লৈবাক অদুগী লৈঙাক নমদুনা খুদুম চনখি।

অহানবা টেষ্ট লাহোরদা পাঙথোকখি মদুদা পাকিস্টান মচাশিংনা মতম অদুদা ইরাং খরা থোকপা য়াই হায়না খন্নরম্মী। অদুবু ইরাং হৌরিবা মীওইশিং অদুনা ইংলিসকী শান্নরোয়শিং অদুদা টার্গেট তৌরোই। মখোয়দা অতম্না খুদোংথিবা অমত্তা থোকহল্লোই হায়বা মীয়াম্না খঙই। চরাংনবা মরক অদুদা ইংলিসকী কেপ্তেন কাউদরিনা সেঞ্চুরি অমা লৌখিদুনা মহাক্কী টেষ্ট মেচতা ফংখিবা ২২রকশুবা সেঞ্চুরি ওইখি। ঈরাং থোক্কদ্রা হায়বা চিংনবা লৈবদগী খূৎলায় পায়বা সিফাইনা শান্নফম অদুগী অকোয়বদা চেকশিন্না ঙাক শেল্লিঙৈদা মীৎয়েংলোইশিংনা মখোয়গী মনাক্তা লৈরিবা পোৎ চৈশিং অদু লংবা হৌরকখি। য়াম্না কিগনবা মীওইশিংদি করম্না ময়ূম য়ৌগদগে হায়না খনবা হৌরকখি। মতম অদুদা লৈঙাক্কী মথক্তা খোল্লাউ লাউবা ঙম্বা ষ্টুদেন্টস এক্সন কম্মিটি হায়বা অকনবা শক্তি লৈবা মহৈরোয়গী লূপ অমা লৈ। কম্মিটি অসিগী মরুওইবা মেম্বর অমদি অফটাফ গুল কৌই। মহাক পাকিস্টান টিমগী মরু ওইবা বেটসমেননি। মীয়াম্না খন্নরিবদি মহাক্না পাকিস্টান টিমগী মেম্বর অমা ওইবা মরম্না মহৈরোয়শিংগী মায়কৈদগী অশোয় অঙাম অমত্তা থোকহন্দবা য়াই। মরমদি মহাক্না খাম্বদা মখোয় তুমিন্না লৈগনি। তৌইগুম্বসুং মীৎয়েংলোই খরা গ্রুপ নাইদুনা মখোয় মশেল খৎনরকপদগী মায়কৈ অনী অদু চৌক্রি লংনদুনা কন্না খৎনরকখি। মদুদা ইংলিসকী বোলর কোল্লিন্না দি'ওলিভেইরাদা মখূৎ হাইদুনা শান্নফমদগী মপান থোকখ্রসি হায়দুনা ইঙ্গিৎ অমা পীদুনা কৌথোকখি। মদুদা পাকিস্টানগী বেটসমেন ওইরিবা অফটাফ গুননা দি'ওলিভেইরাগী মখূৎ পায়দুনা খামখি। খুদক অদুমক্তদা মীৎয়েংলোই মশেল চৌক্রি থানদুনা ইরাং তৌরম্বা অদু লেপখি।

মেচ অদুগী মরিনি চনবা নুমিত্তা পাকিস্টান্না মায়থীবা নংদনবা কন্না হোৎনরিঙৈদা মীয়ামনা বাউন্দরিগী অকোয়বদা লৈরিবা পুলিসশিং অদুদা চৌক্রি থুদেকখিবগী অকায়বা মতেকশিং অদু লংশিনখি। মদুদা পুলিসশিং অদুনা মখোয়দা লংশিল্লকখিবা পোৎ চৈশিং অদুনা অমুক মীয়াম তম্না লংথোরকখি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা সিফাইশিং থাজিল্লকখি। মতম অদুদা ইংলিসকী এক্টিং কেপ্তেন অদুনা মহাক্কী টিম কৌথোক্তুনা অঙৈংবা থক্তুনা লৈখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ৫০ খক্তং ঙাইবগী মতমদা পাকিস্টানগী মুস্তাক অমসুং হনিফ মহমদ বেটিং তৌরম্মী। মেচ অদু অকায়বা পীখি, মখা চথবদি য়াখিদে, রিজল্ট অমত্তা ফংনখিদে। ইংলিসশিং অদু মথৱায় নুংঙাইখিদে। মেচ অদু নম্ফুদা লোইশিন্দনা লেপখি। অনীশুবা মেচ ধাকাদা পাঙথোকখি। মদুদা ইংলিসকী মেনেজরনা পুলিস মতিক চানা থমদ্রবদি মেচ অদু শান্নবা ঙম্লোই হায়খি। মতম অদুদা মপাঙ্গল য়াম্না কনখৎলকখিবা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংগী লূপ অমনা ধাকাদা টেষ্ট মেচ শান্নদ্রবদি ইংলিসকী টিম ময়ূমদা হনবা য়ারোই হায়দুনা কিহনখি। মহৈরোয়শিং অদুগা ইংলিসকী মেনেজরগা য়ানবা অমা পুরক্তুনা ওল পার্টি ষ্টুদেন্টস এক্সন কম্মিটিনা পুলিস অমসুং আর্মিনা লৌগদবা থৌদাং অদু লৌগনি, মখোয়গী মথৌ অদু মখোয়না তৌগনি হায়দুনা অনীশুবা টেষ্ট অদু শান্নবগী ৱারেপ লৌখি।

মহৈরোয় ৩০না মেগাফোন অমমম পায়দুনা মীৎয়েংলোইশিংনা ফল্লিবা মফম অদুসু শরুক ৩০ খাইদোক্লগা মখোয় অমমমনা ঙাক শেনখি। টেষ্ট অদু হৌবা নুমিৎতা কোমলা, হৈনৌ, চৌক্রি অতেকপনচিংবা লংশিনবগী থবকশিং অমত্তা চথখিদে। ক্রিকেট শান্নফম পিচ অদুদি য়াম্না ফৎলমদে, লৈখোম কংহল্লগা শেম্বনি। নুংথিল চা থকপগী ঙাইহাক পোখারবা মতুংদা ধাকাগী মীয়াম অদুনা হুইশেল খোঙজিন্দুনা লাংদুনা ঈরাং শাগৎপা হৌখি। মসিগা লোয়ননা বেঙ্গুন খোংজিনবা, হুইশেল খোংজিনবা, হৌনা হৌনা লাউশিনবগা লোয়ননা নাকল অমরোমদা চৌক্রিশিং মৈ থাবা হৌরকখি। মেচ অদু মখা চথবা ঙমদনা লোইশিনখি। হৌখিবা লাহোরদা পাঙথোকখিবা মেচ অদুগা চপ মান্নবা ফল ফংখি। মেচ অনীমক দ্রো ওইখিবসু তৌখিদে, শান্নবসু মপূং ফাখিদে।।◂◂

# ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেনা লাকপসিদা

-ডো. চুংখাম ইন্দিরা -

ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে (জুন ৫, ২০১৯) না লাকপসিদা মালেমগী ওইনা মীয়াম হুপ্পা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাউবা থৌরম অসিবু হৱাও-তয়াম্না ওকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী লোইশঙ কয়া, মহৈ তম্ফমশঙ কয়া, লন্নাইগী লূপ কয়া, এন জি ওশিং অমদি ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট কয়ানা তৌগদবা থবক থৌরম পূম্নমক য়াৎপা লোইনখ্রে। 'এয়র পোল্যুসন (নুংশিৎতা মোৎশিল্লকপা)' হায়রিবা থিম অসি চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লৌখৎলকপা মতমসিগী খ্বাইদগী চুনবা থিম অমনি। কুমসি চহীগ থৌরম অসিগী য়ূম্বু অসি চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা চাইনানা ওইরগনি হায়না হৌখিবা মার্চ ১১দগী ১৫ ফাওবা আফ্রিকাগী নাইরোবিদা 'ইন্নোভেটিভ সোলুসন্স ফোর ইনভাইরনমেন্টেল চেলেঞ্জেস এন্দ সষ্টেনেবল কঞ্জম্পসন এন্দ প্রদক্সন' হায়বা থিমসিদা ফমখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স ইনভাইরমমেন্টেল প্রোগ্রাম (য়ু এন ঈ পি) গী অখন্নবা মীটিং অদুগী লোইশিনবা নুমিৎতা চাইনিজ দেলিগেটকী লুচিংপুরেলসু ওইবা ইকোলোজি এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী ভাইস মিনিষ্টর ওইবা ঝাও য়িংমিন অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্স ইনভাইরনমেন্ট এসেম্বলিগী এক্টিং হেদ ওইরিবা জোয়স মসুয়া অনীনা পূন্না লাউথোকখিবনি। থৌরম অসিদা চাইনানা ইনভাইরনমেন্টপু লূনা-নান্না থম্নবগী মরুওইনা গ্রীন ইনর্জি সেক্টরদা অঈং-অশাগী ফীভম ফগৎনবা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শকখঙবীবা ওইনা য়ূম্বু ওইনা লাউথোকখিবনি। য়ূম্বু ওইরিবা চাইনানসু নুমিৎ অসিবু ঙমজবী থাক্তা হোৎনদুনা ইনভাইরনমেন্টপু লূনা-নান্না থম্নবগীদমক লৌখৎলিবা চেকশিন-থৌরাং পূম্নমক মীয়ামদা ঙমজবী থাক্তা খঙহন্নবা পান্দম থল্লি।

কুমজা ২০১৩দগী হৌদুনা চাইনানা অচৌ-অচৌবা সহরশিংদা (মরুওইনা বৈজিং য়াওনা অৱাংথংবা শরুকশিংদা) 'রেদ এলর্ট' ৱার্নিং থমদুনা লমদমদুদা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংশিৎতা মোৎশিল্লকপা থিংনবা হায়দুনা 'নেসনল এক্সন প্লান ওন এয়র পোল্যুসন' হায়বা অকনবা লো শেমদুনা চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা কোয়লা শীজিন্নদুনা চল্লাইবা ফেক্টরিশিং অমদি মৈখু থোকপা মখল খুদিংগী গাড়ীশিং শীজিন্নবা থিংখিবদগী লমদমদুদা অচৌবা অহোংবা অমা লৈখ্রে। হৌজিক্তি চাইনা অসি মালেমগী ওইনা ইলেক্ট্রিক্কী গাড়ী খ্বাইদগী হেন্না পুথোকপা অমসুং শীজিন্নবা লৈবাক অমাওইখ্রে। তশেংনা হায়রবদা ইলেক্ট্রিক বসখক্তদা অপূনবগী চান্মদা মরিফুতরামাপলদি চাইনাদা চল্লাইরি অদুগা ইলেক্ট্রিক্কী গাড়ী মখল খুদিংমক্কী চান্মদা য়াঙ্খেগী মপু চাইনানা ওইরি। অসুম্না চাইনানা মীওই মিলিয়ন কয়াগী পুন্সি কন্ননবা থৌদাং কয়া অমা পায়খৎলি অমসুং পোল্যুসনগী লম্ অসিদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবদা লমজিংলি। মরম অসিনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমসি চহীগী ওইনা চাইনাবু ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী য়ূম্বু ওইনা খনগৎলকপা অসি মতিক চপ চাই।

এয়র পোল্যুসন (নুংশিৎতা মোৎশিল্লকপা) অসি মরুওইনা কোয়লা, পেত্রোলিয়মনচিংবা ফোসিল ফ্যুএলশিং মৈ থাবা অমদি অতৈ তোঙান তোঙানবা মৈ চাকপা য়াবা পোৎলম কয়া মৈ থাবদগী ওইহল্লকই। নোংমা নোংমগী লেপ্পা লৈতনা শীজিন্নবা হেনগৎলক্লিবা গাড়ীশিংদগী থাদোরকপা গ্যাসশিং অমসুং মৈখুনসু মোৎশিল্লকপা অসি য়াম্না হেনগৎহল্লি। অমোৎ-অকায়শিং মৈ থাদোকপা অমদি ফেক্টরিশিংদগী থাদোরকপা মৈখুশিং, পথ্-পুমথরকপদগী থোক্লকপা গ্যাসশিং পুম্নমক্নসু নুংশিৎপু কা হেন্না মোৎশিনহনবদা মতেং পাংই। অসুম্না নুংশিৎতা মোৎশিল্লকপা অসিনা মরম ওইদুনা চহী খুদিংগী মীওই কয়া তোঙান তোঙানবা নিংশা শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়নাশিং হায়বদি থম্মোয়গী লায়না কয়ানা মনুং মতম চাদনা পুন্সি লোমহল্লি। নাইরোবিগী মীফম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা অপূনবা মীশিংগী চান্মদা মরিফুতরানিথোইদি অশেংবা নুংশিৎ নিংশা শ্বর হোনবা ফংজদ্রিবা অমদি চহী খুদিংগী থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা মনুং মতম চাদনা শিখিবা মীওই মিলিয়ন তরেৎকী মনুংদা মরিদি এসিয়া-পেসিফিক অমসুং আফ্রিকাদগীনি হায়না ফোঙদোকখি। হায়রিবা মীফম অদুদা মরুওইনা চিঞ্জাক মাঙহনবা থিংবা অমদি ইলেক্ট্রিকনা চল্লাইবা কারনচিংবা গাড়ীশিং শীজিন্নবা হেনগৎনবগী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনখি।

কুমজা ২০০৭তা ফোঙখিবা ৱর্ল্ড বেঙ্ককী রিপোর্ট মতুং ইন্না চাইনাখক্তদা চহী খুদিংগী নুংশিৎতা মোৎশিল্লকপগা মরী লৈনবা প্রোব্লেমনা মরম ওইদুনা মীওই লাক্ষ তরেৎ লিশীং হুস্ফুমুক্তি মনুং মতম চাদনা শিরি হায়না রিপোর্ট তৌখি। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্নসু কুমজা ২০১২খক্তদা মীওই মিলিয়ন অমা মখায় হেন্না লৈখিদ্রে হায়না পীরি। দি গ্লোবেল ইনভাইরনমেন্টেল বোদিগী রিপোর্টতনা লৈমায়গা নক্কনা লৈবা ওজোননা মরম ওইদুনা কুমজা ২০৩০ ফাওবদা পুথোক্লক্কদবা চিঞ্জাক্কী পোখোক্তা চান্মদা কুনতরুক্কী চাংদা হন্থরক্কনি হায়নসু চেকশিন ৱা পীরি। চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ৩দা ফোঙখিবা ষ্টেট ওফ গ্লোবেল এয়র (এস ও জি এ) গী রিপোর্ট অমনসু নুংশিৎতা মোৎশিল্লকপদগী শিবা হয়বসি মালেমগী ওইনা ৫শুবা খ্বাইদগী হেন্না শিগনবা য়ু থক্তুনা নৎত্রগা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ফংদদুনা শিবদগী হেন্না শাথিবা থৌওংনি হায়না পীরি। পূম্নমক অসি লৈবনা য়ু এন ঈ পিনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থিমসিগা মরী লৈননা অসিগুম্বা ৱাঙাঙদবা মীহাৎপা অসিদগী ঙাকথোক্লবা লৈবাক খুদিংগী লৈঙাকলোইশিংদা '4R' হায়বদি Reduce, Recycle, Reuse, Recover অসিবু লৈবাক্কী পোলিসি প্রোগ্রাম শেম্বদা হাপ্পীদুনা মনুং-মতম চাদনা শিরিবা মীয়াম অসিবু কন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না পাউজেল পীরি। অদুগা লোয়ননা মীয়াম হুপ্পা থৌরম অসিবু শরুক য়াবিদুনা রিন্যুয়েবল ইনর্জি অমসুং গ্রীন টেক্নোলোজিগী পোরম য়াৎমিন্ননবা হোৎনবীয়ু হায়না ফোঙদোক্লি।




হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়া অসিসু খ্বাইদগী হেন্না নুংশিৎ শেংদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। কুমজা ২০১৫দা য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়াগী প্রোফেসর স্মিথনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী ওইনা এন্যুয়েল এয়র পোলুসন লেভেল অসি ক্যুবিক সেন্টিমিটর অমদা মাইক্রোগ্রাম ৫৫গী চাংদা য়াওই হায়রি। হায়রিবা ৱাংখ্রবা চাং অসি মরুওইনা থোং-থাকপা মতমদা শীজিন্নরিবা হন্থবা থাক্কী কেরোষ্টোভ অমদি থাওশিং, শন্থি অকংবা অমদি উনা-ৱানা মৈ থাবা অসিননি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সুপ্নগী য়ূমদা চাক থোংবগী মওং ওন্থোক-ওনশিন তৌবমক্তনসু লমদম অসিদা ৱাংলিবা এয়র ক্বালিটি ইদেক্সকী চাং লাকশিনবা ঙমগনি হায়রি। ইন্দিয়ান ইন্সটিটুয়্যট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি), দিল্লিগী হীরম অসিদা থিজিনবদা মরুওইনা থৌদাং লৌরিবা কাঙবু অমনসু য়ূমদা চাক থোংবদগী মৈখুশিং ককথবা অসিখক্তনসু ইন্দিয়াদা মীওই লাক্ষ অনী লিশীং হুস্ফুতরা হেন্না কনবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

কুমজা ২০১৬তা নেসনল প্রোগ্রাম অমা শেমদুনা লমদমসিদা লৈরিবা য়ূমথোঙ মিলিয়ন মরিফুমুক্তা অফবা মখলগী চাক থোংনবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর উজ্জ্বালা যোজনাগী মখাদা লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা (বি পি এল) নুপীশিংদা লেম্না গ্যাসকী কনেক্সন কয়ামুক পীখ্রে। যোজনা অসি তশেংনমক্তি মীওই মিলিয়ন য়াংখৈদা খুদোংচাবা পীনবগীদমক মে ১দা হৌদোকখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি পান্দম অসিদগী হেন্দোক্তুনা মীওই মিলিয়ন মরিফুগী ময়াদা খুদোংচাবা পীদুনা নুপী কয়াবু মোমোন মিনোক নোকপা ফংজখ্রে। পূম্নমক অসি লৈদুনসু ইকুই কুইদনা ফোঙদোকখিবা 'ষ্টেট ওফ গ্লোবেল এয়র ২০১৯' গী রিপোর্ট তুং ইন্না কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়াদা শিখিবা মীওই মিলিয়ন ১.২ দি নুংশিৎ মোৎশিল্লকপননি হায়রি।

ইকোনোমিক টাইমসকী হৌখিবা মার্চকী চৈচৎ মঙাদা পীখিবা রিপোর্ট অমনসু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মোৎপা সহর তরাগী মনুংদা তরেৎতি ইন্দিয়াদা লৈ হায়না পীখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮দা লৌখিবা গ্রীনপীস অমসুং এয়র ভিসালগী রিপোর্ট অমদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী নুংশিৎতা মোৎপা কোনুংনা দিল্লিনি। অদুগা সহরনা মসিগা নক্লবা গুরুগ্রাম (গুরুগাওন) নি।

পূম্নমক অসি লৈবনা ইন্দিয়াদদি নুংশিৎতা মোৎশিল্লকপা থিংবা হায়বসি য়াম্না চাউনা শিংনবা অমনি। ষ্টেট খুদিংমক্তা মাগী মাগী ঙমজবা পোলিসি প্রোগ্রাম শেমজদুনা মসিবু হন্থহন্নবা কন্না হোৎনরি। দিলিমক্তদা পি য়ু সী সার্টিফিকেট পায়দবা গাড়ী চেলহন্দবা, চহী তরামঙাশুরবা গাড়ী থিংবা, সী এন জি গাড়ী চেলহনবা, BSLV (iii) গী গাড়ীশিং থিংবা, তুমাশুবা অমদি শুদবা গাড়ীশিং ওন-ওন্দুনা চেলহনবা, অমোৎ-অকায়শিংবু হার ওন্থোকপা অসিনচিংবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা নুংশিৎতা মোৎশিল্লক্লিবা অসিবু থিংনবা কন্না হোৎনরি। ইকুই-কুইদনা জন্যুৱারীগী চৈচৎ ১০দগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী ফম পায়খিবা ডাক্তর হর্স বর্ধননা পায়খৎপা হৌখ্রবা চহী মঙাগী ওইবা নেসনল ক্লিন এয়র প্রোগ্রাম (এন সী এ পি) গী মখাদা ইন্দিয়াদা য়াম্না মোৎশিল্লক্লবা সহর ১০২দা প্রোব্লেম অসিবু হন্থনবা পোরম কয়ামুক য়াৎপা হৌখ্রে। অদুগা ইরোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না হৌখিবা মেগী চৈচৎ ২৯দা লাক্লিবা থিম অসিগা মরী লৈননা 'হৱা আনে দো' হায়বা মসিদা কৎথোকপা ঈশৈ অমসু ফোঙদোক্তুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিবু ওক্ননবা শেম শারি।

ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেনা লাকপসিদা মণিপুরদসু লৈঙাক্কী লোইশঙ অমদি লন্নাইগী লোইশঙ কয়ানসু পাক্তক্লনা নুমিৎ অসিবু শরুক য়ানবা থৌরাং তৌনখ্রে। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনসু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন দিরেক্টরনা লুচিংদুনা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিনচিংবা মহৈ লোইশঙশিংদা পাক্তক্লনা উ থানবগী থৌরাং মাঙজৌননা পায়খৎখ্রে। নুমিৎ অসিদা চাউরাক্লা উ পাম্বী লিশীং ৫০ হেন্না থানবগী পান্দম থল্লি। পাম্বীশিং অসি থাবদা নত্তনা থারিবশিংদু তুং কোয়না হিংহন্নবা তোঙানবা রিভিয়ু কম্মিটি শেমদুনা মালেমগী ওইনা নুংশিৎতা মোৎশিল্লক্লিবা, মহৌশাগী খল কায়দুনা অঙৈং-অশা ওন্নরক্লিবা পূম্নমক অসিবু খরতা ওইরবসু কন্নবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসি তশেংনা থাগৎনীংঙাইনি। ঐখোয় পূম্নমকসু অমত্তা ওইনা ৱাখল তামিন্নদুনা তুং কোইনা চৎনবা য়াবা থৌরমশিংসি শরুক য়ামিন্নবা হায়বসি তঙাইফদে।।◂◂

# ক্রোকোদাইল টিয়রস ওইনা শক্লখিগনি

ডো. এন জি মঙ্গি

মমাংঙৈদগী হৌনা মণিপুরদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপশিং অসি থম্মোয় চাউবা, মীনুংশি পোক্কনবা, তেংবাংগনবা অমসুং অতোপ্পগী অৱা-অনাদা শরুক য়ামিন্নবগী য়াম্না লৈবাক মচা তাবা চৎনবীশিং লৈরকই। মতম অদুদদি পংচাও চাওখৎলমদ্রিবা অচম্বা পুন্সি মরেল ওইনা হিংনরম্বনা য়াম্না শাথিনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা পোৎশকশিং ইরৈ-লৈনরমদে। হৌজিক্না মপাম্থোংদা ৱাখল ইতা তাজদনা চাওখৎপা শাবদগী মমল নাইদ্রবা মীওইবগী পুন্সিদা খোঙথাং খুদিংগী শাথিনা খুদোংথিনিঙাই ওইবা পোৎশকশিংনা মণিপুর লৈবাক অসি পীক থল্লে। হায়বদি নীংথিবা পোলিসি প্লান য়াওদনা চাওখৎপা শানিংবদগী ফজবা মমায়খক উহন্নবা হোৎনবদা অথিবা মমায়দগী করম করম্বা খুদোংথিবশিং থোরকপা য়াই হায়বগী ৱাখলদি থাদহৌদ্রে। অসিনা মরম ওইদুনা মখল মখা কয়াগী খুদোংথিবশিং থোরকই। অমরোমদা খুদোংথিবশিং অদু মতম চানা মায়রোং য়াদুনা থেংনবা য়াবা থেংননবা হৌজিক্কী মতমগা চুনগদবা খুজিন-থৌরাং অমত্তা লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোন্দা মাঙজৌননা শেম-শাদুনা লৈবগী মমি তাদ্রি। মদুগী মহুত্তা খুদোংথিবা থোকখ্রবা মতুংদদা হুরান মতুং মৈরিংবগুম খুদোংথিফম তান্না হোবে হোবে হেক হেক চৎনদুনা খ্বাঙ মেৎপা য়াও, ফুরিৎ খাউ হুম্বা য়াও অমদি ফোটোনচিংবা নম্বা য়াও তৌদুনা অৱাবা নুংঙাইতবা তোয়না তোয়না ফোংদোক্লবগী হৈনবী, চৎনবীশিং অসি তশেংনা থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা ওইরগসু য়াম্না খোঙলৈ থুনা ইফেক্তিভ রিস্পোন্স হেক হেক পীহৌবা ঙমদবগী থৌওং, মতাশিং অসি উরুরগা ঐখোয়গী মীৎলুদগী শিন্থরিবা নীংঙমহৌদ্রবা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবগী পিরাংশিং অসি গুম্ভীরগী পিরাংগুম শক্লখিবা য়ায় হায়জবনি।

ঐখোয়না খঙলকঙৈদগী থোকখ্রিবা নাতে চাদবা নুংঙাইতবা খুদোংথীবশিং অসি কয়াদি য়ামখ্রে। তুরেল ঈশিং ইরৈদা, পাৎকী ঈয়াইদা, পুখ্রিগী ঈশিংদা তাবদগী কোয়চেন চেন্নরিঙৈদা উনা উনা ঈরাক্লদুনা শিখিবা কোঙ্গায়নি। অসিদসু নৎত্রি, হান্নগী অরিবা সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থুগায়বদা, শীংজমৈ কৈথেল থুগায়বদা, পাম্বীদগী অকংবা উনা তেক্লকপদা, থোং তেকপদা, ইলেক্ট্রিক্কী ঐচ টি লাইন তৎলকপদা, চীং নীংখায়বদা, য়ুম নীংখায়বদা, য়ুম-কৈ মৈ চাকপদা, নোংলৈ-নুংশিৎ, য়ুহারাবনচিংবা নেচরেল কেলামিতিশিংদা থোকখিবা খুদক খুদক্কী ওইবা অশোক-অপন, অশি-অনাগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবনি। ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাংদা লোক্তাক পাৎ, লৌকোয় পাৎ, চাদোং পাৎ অমদি ইম্ফাল তুরেলদা ঈশিংদা ইরাক্লখিবগী য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক-ৱাথোকশিং থোকখ্রবা মতুংদসু, ঙরাং নহান্তা অমুক বি টি রোদকী খা থংবদা লৈরিবা অরিবা বিল্ডিং অমগী শরুক খরা নীংখায়বদগী লাইবক থিবা থৌদোক থোকখ্রে। অদুসু য়াম্না লাইবক থিরিবদি মরম অমা নৎত্রগা অমদগী য়াম্না ক্বিক ওইবা ইফেক্তিভ রেস্পোন্স পীদুনা অদুগুম্বা খুদোংথীবশিং অদু মতম চানা মায়রোং য়াহৌবদি ঙমদ্রি। হায়বদি অসিগুম্বা ইমর্জেন্সি ওইবা মতাংদা তেংবাংনবগী ৱাহন্থোক লৈবা বোদি লেংগ্বেজ অমসুং এক্সন লেংগ্বেজ অনীমক লৈতোন শেংনা ঙাওথোক্লবগী থৌনা-পাঙ্গল অমসুং বুদ্ধি লৈজদ্রি।

হৌজিক ইম্ফাল মনুংদা য়াম্না শাথিনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা পোৎশক কয়ামরুম লৈরি। হান্নদগী হৌনা ফুট পাথশিং অমদি মসিগী মথক-মখা অকোয়বগী ফিভমশিং অসি য়াম্না ফৎত্রবা, চৎন-কাঙলোন য়াওদ্রবা অমসুং মওং-মরীল তাজদবনা নোংমদি শাথিনা মীৱা-মৈশা লাংবা য়াবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াই হায়বসি লোকল পাউজেল চে খরগী থোঙদা লাইফাও ওইনা মাঙজৌননা ফাওজখ্রবনি। হন্দক বি টি রোদতা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুনা ময়েক শেংলবা লাইফাও অমগী খুদম্নি। ফুট-পাথশিংগা অৱাংবা দলানশিংগা কয়া য়াম্না নক্করিবগে হায়বদু দলাল মতোন্দগী উলুম অমা থাদরগা য়েংবদা উলুম অদু পুট পাথগী ময়াইদবু তাগদবা মাল্লি। অদুনা অরিববু ওইরবসু অনৌববু ওইরবসু ৱাংল-ৱাংলবা দলালশিংগী থোঙ-থোঙনাওদা পাল্লিবা অচৌবা অরুম্বা গ্লাসসি লুম্লবা হোর্দিং/বিল বোর্দ অমদি য়োৎকী গ্লাসনচিংবা ফুট পাথ মথক্তা চৎলিবা মীশিংগী কোকথক্তা তারক্লিংঙাই ওইরি। মরম অসিদগী অৱাংবা দলালশিংগা য়াম্না নক্না লৈরিবা ফুট-পাথশিংগী মথক্তা চৎপা অসি য়াম্না কিনিংঙাই ওইবদগী সরক্তা খরা লাপতক্না চৎপনবু ফরব্রা খল্লে। অসুম্না হায়নরুরগসু নোংথক্তগী অতিয়া তারক্কনি, মপান থোরক্কনু, য়ূম মনুংদা অদুম লৈয়ু হায়রক্কনি। অদুবু অমেরিকান টুরিষ্ট অমতং মণিপুরগী ৱায়োং চাদবা ফুট ফাথ অসিদা খুজিন্থোক খুনান্থোক্তগী লাইনা লৌখিবা থোক্লবদি মালেম পুংজাউ থীনবদি শোয়দ্রে।

মমিং কাবক লৈজরবা কম্পেনি অমখক্না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ইমা লাইরেম্বীবু চাউনা মীনম শোরিদুনা থম্মোয় শেংনা শাবিখিদবদগী ইমা মার্কেটশিং অদু খজিক্তং কন্না য়ুহারাখিবদা মতাং মমেন চাদনা পুম্নিং নীখায়রমগদবা শম্নাদা ৱাৎলিবনি। মী পোং চঙহন্দবমখৈ শাবা হৌগৎলকপদা পুমহৈ হৈগৎপা লোইরবা চেৎশিনফমসু থোক্লবা পিল্লরশিংদু অহৈ-অপা শারুবা ইখুৎকী খুজিন্না শরুক খরা খোৎতুনা য়েংলুবদা ফ্রোং-ফ্রোং খরা লাওবা থেংনখি। মতম অদুদগী কম্পেনি অদুগী মথক্তা ইথন্তা চীংনজবা পোকখি। লাইবক ফবনা মরম ওইদুনা, থৌজাল হৈবীবা কৈথেল লাইরেম্বীনা অচৌবা মীশি-মীনা থোক্তুনা লৈবাক্কী শাথিবা মীৱা-মৈশা লাংহল্লমগদবদগী নাথৈবিনবা মহাক্কী নুংশিরবা ভক্তা-মনাইশিংবু কনবিখিবনি। অমরোমদা থম্মোয় শেংনা শাখিবা য়োৎ-সিমেন্টসু য়াওখিদবা, চহী কয়া নম্বুল তুরেলগী থ্রোক-থ্রোক লাওরবা খোঙনুংদা, য়ুহারাবা কয়া, ঈশিং-ঈচাও কয়া থেংনদুনা চেক-মোক লাওদবমখৈ লৈরক্লিবা চেক্কী থোং নম্বোনবী উরুবদা য়াম্নবু ঙক্লিংঙাই ওইরি। মসি মীওইবগীদমক থম্মোয় শেংনা অমসুং থৱায় হকচাং য়ানা শাখিবগী অশেংবা খুদম্নি। হৌজিক ফাওবা ইমা মার্কেটকী বিল্ডিংশিং অসি অফবা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরমগনি হায়বসি ইথা থাজদবগা লোয়ননা পুক্লিংদা চিংনবা অদুমক পোক্তুনা লৈরি।

খরদংগা পঞ্জরবদা, শোল্লবা অকংবা উ পাম্বীশিং, অকংবা উসাশিং পাল্লিবা উ পাম্বীশিং, ইপৈ পৈথরবা মখোঙ চেৎত্রবা ইলেক্ট্রিক পোষ্টশিং মতিক চাবা সপ্পোর্ট য়াওদনা দলালশিংগী ৱূফকী চিদায়দা নৎত্রগা থোংনাও ময়াশিংদা নক্না খিল্লিবা য়েনশং-নাপী/লৈগী গম্লাশিং, ৱায়োং চাদনা অৱাংবা ৱূফকী মথক্তা খিল্লিবা ঈশিংগী সিন্টেক্স টেঙ্কী অমসুং নেট-ৱার্ককী অৱাংবা টৱার ইন্সতোলেসনশিংনচিংবা কয়া অসি চেকশিন থৌরাং তৌহৌদ্রবা অমসুং মতম চানা য়েংশিন খোচিনবা ৱাৎহৌরগদি য়াম্না শাথিবা খুদোংথিবশিং অমুক থোক্লকপা য়ারিবনি। খুন্নাই অসিগী চেকশিন থৌরাং তৌগন্দবা, মীৎকুপ নাহুম শিংগন্দবা অমদি থৌৱা শাগনদদুনা য়েংশিন খোচিনবা কয়া তৌদবগী হৈনবী শাজৎ লীচৎশিং অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী মশিং থীঙমদ্রবা ইঞ্চি কয়াগী লম মাঙখ্রবনি। কয়ামুক য়াম্না চেকশিনগন্দগে নৎত্রগা থৌশাগদগে হায়ববু য়ুম-য়ুমগী, লৈকাই লৈকাইগী নৎত্রগা লোকল ক্লবশিংগী ওইনা মৈহৌ-লাংপোক অমদি অতৈ ইমর্জেন্সি ওইবা খুদোংথিবশিং থেংননবা, য়োৎপাক, থাঙজৌ, থৌরী, কৈরাক্লচিংবা অতৈ লাইফ সেবিং তৌবদা শীজিন্নবা য়াবা পোৎ চৈশিং অয়াম্বনা থম্নরল্লোই। অসিগুম্বা মরুওইবা পোৎ চৈশিং থম্নবা ৱা-লাল হৌদোক্লুবদা অঙাওবা তারিবনি।

মতম চানা মতিক চানা হোৎনহৌদুনা খুদোংথিবশিং অদু মায়পাক্লা লাকশিনবা ঙমহৌরগদি ঐখোয় পুন্না হৱাও নুংঙাইবা ফোঙদোকমিন্নসি। অদুগা ফনা কন্না নীংথিনা হোৎনদুনসু মায় পাকপা ঙমহৌদ্রগনা ঐখোয় পুন্না থম্মোয় শেংনা অৱাবগী পিরাং শিন্থমিন্নসি। অদু নত্তদনা, অসুক চাওখৎলবা মতম অসিদা খুদোংথিবা মায়োক্লনবা পোলিসি প্লান অমত্তসু লৈহৌদবা, মতেং পাংনবসু ইহোৎতি হোৎনহৌদনা, খুদোংথিবা নংখ্রবা মখোয়দুগী অৱাবা নুংঙাইতবা পংফোঙদা ফোঙদোক্লবগী চৎনবী লোনচৎ অসি তশেংবা ওইরগসু খুন্নাইগী মায়কৈ অমরোমদা গুম্ভীরগী পিরাং ওইনা শক্লখিবা য়াই হায়জবনি।।◂◂

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।